# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-07-2024)**

**কাং (এল)ঃ** নুমিৎ ১০ নি চুপা চথুরকপা রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম ঙসি পুর্ন যাত্রা কাংলেন পাঙথোক্কুনা লোয়শিল্লগনি।

রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা কাং চিংবগী থৌরম মহৌশাগুম পাঙথোকদ্রে। অদুমওইনমক, ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদদি কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক ঙরাংদগী হৌনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। গোবিন্দজিগী কাং চিংগদৌরিবা মরুওইবা লম্বী গাড়ি চংহনদবগা লোয়ননা ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎলে।

ভগবান জকনাথ, ময়াম্বা ভগবান বলভদ্র অমসুং মচননুপী দেবী সুবদ্রাগী মালেম শিন থুংনা মমিং চৎলবা বহুদা যাত্রা, কাং হল্লকপগী কুম্মৈ ঙরাং উরিষাগী শেংলবা সহর পুরিদা পাঙথোকখ্রে। ভগবান জগনাথ অমসুং মচিন মনাউশিং গুন্দচা মন্দিরদগী শ্রীমন্দিরদা হল্লকপগী কুম্মৈ বহুদা যাত্রা অসি য়েংনবা অমসুং ভগবান অশির্বাদ ফংনবা পুরিদা ভক্তা লাখ কয়া তিনখি।

**গভনর (এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি-কুমারি এ.কে. মিরাবাই দেবী অমসং মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা মমাং চহিগী জল্‌াইদা থিবা খঙদনা লৈরকখিবী লুৱাংবী লিংথোইঙানবী হিজম অমসুং ফিজম হেমাজিৎ সিংহগী ইমুং মনুংনা ঙরাং রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মহৈরোই অনি হকচাং ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নবীনবা অমসুং মদুদা চেন্নবা সি.বি.আইনা ফাদুনা লৈরিবা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীবিনবা তকশিনখি। মীহুৎ কাংবু অসিনা সি.বি.আইনা থিজিল্লিবা অদুগী অকুপ্পা ৱারোল খঙবা পাম্মী হায়নসু

ফোংদোকখি।

মখোয়গী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা রাজ্যপালনা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অচুম্বা বিচার ফংহনগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। মহাকা দি.জি.পিদা ফোন তৌদুনা মাংখিবা মহৈরোই অনি অদুগী অশিবা হকচাং সি.বি.আইদগী অকুপ্পা ৱারোল লৌরবা মতুং অথুবা মতমদা থিদোকবা খঙহনখি। রাজ্যপালনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদ্বিপ সিংহগা উন্ননবা শিনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী ওন্টরপ্রেন্যুয়র ৮ না রাজ্যপাল উন্নদুনা মনিপুরদা লৈরিবা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিং মতেং পাংবীনবা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি। হৌখিবা থা ১৪ অসিদা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লোন শিংদোকবা হোৎনবদা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং রাজ্যপালদা পাউদমখি। ইরাং  অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিদা লল্লোন ইতিক্কী থবক থৌরমদা চাউনা অপনবা পীবগা লোয়ননা লোন শিংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরে। রাজ্যপালনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি অমদি শেল থুমগী থবকসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নদুনা করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খঙহনখি।

অখিল ভারত্তিয়া বিদারথি পরিষদকী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল উন্নদুনা রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা অন্দর গ্রেজ্যেট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্যেট কলেজশিং হাংদোকবা য়াওবা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি।

**ককচিং (এল)ঃ** য়ুথস স্কিলস ফোর পিছ এন্দ দিবলপমেন্ট হায়বা হীরমদা ৱাৰ্ল্ড য়ুথস স্কিল ডে-ককচিং জিলাগী গভরমেন্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুটতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ক্রাফটসমেন ত্রেন্নিংগী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা নার্কো কোরদিনেসন সেন্টরগী তরেৎশুবা মীফম লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মানস কৌবা নেসনেল নার্কোটিক্স হেল্প লাইন অমাগৃহ মন্ত্রিনা হৌদোক্কনি। মসিগী মথক্তা শ্রীনগরদা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী জোনেল ওফিস অমসু হাংদোক্কনি। গৃহ মন্ত্রিনা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী চহিগী রিপোর্ট ফোংগনি।

মীফম অসিদা ভারত্তা দ্রগ লল্লোনবা অমদি দ্রগ এব্যুস থিংনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাংশিং লৌরিবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী এজেন্সিশিংনা অমনা অমবু মতেং পীনদুনা অমদি করি করম্বা থৌদাং পায়খৎতুনা অসিগুম্বা দ্রগ লল্লোনবগী থবক অসি থিংবা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নরবা য়াই হায়রি।

চেরোল অমদা গৃহ মন্ত্রালয়না হায়-ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু দ্রগ ফ্রি ওইহনবা লৈবাক অমা ওইনবগী পান্দমদা নার্কো এজেন্সিশিংগী মরক্তা হেন্না মরি ফগৎহনবা, ইন্সটিট্যুসনেল ষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি মীয়ামবু পাক শন্না গ্যান তাহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলবা য়াই।

**এভিয়েসন ঃ** কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কিংজারাপু রাম মোহোন নাইদুনা হায়রি-মীয়ামনা এরোপ্লেন তোংবগী খুদোংচাবা হেনগৎহনবগা লোয়নন্না অতাবা মমলদা এরোপ্লেন টিকেৎ ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকারনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অনিশুবা এসিয়া-পেসিফিক্কী মন্ত্রিশিংগী করটেন রাইজর থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা মহাক্কী সরকারনা সিভিল এভিয়েসনগী লমদা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নন্না ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে।

মহাকা হায়-এভিয়েসনগী লমদা গ্রীন টেকোলোজি শিজিন্নদুনা কর্বোন ফুদ

প্রিন্ট হন্থহনবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। অনিশুবা এসিয়া-পেসিফিক মন্ত্রিশিংগী মীফম ন্যু দিল্লিদা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ১১ অমসুং ১২ দা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা এভিয়েসনগী লমদা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**বিএসএফঃ** বোর্ড সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) অমসুং বোর্ড গার্ড বঙ্গলাদেস (বি.জি.বি) না নারোলদা মী চংশিল্লকপা, নিশাগী পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবা য়াওনা অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং থিংনবা পুং ২৪ ঙাক শেল্লগনি হায়রি।

বি.এস.এফকী চেরোল অমনা হায়-ৱাফম অসি শিল্লোংদা বি.এস.এফ. অমসুং বি.জি.বিগী ইন্সপেক্তর জেনরেল রিজন কম্মান্দরগী মীফমদা ৱারেপ লৌখিবনি। মীফম অদুদা বি.এস.এফ. অমসুং দি.জি.পিনা ঙমখৈ পরিং লান্না আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌবদা চেন্নবা ক্রিমিনেলশিংগী মিং পীথোক পীশিন তৌনবা অমসুং মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপা হায়নসু য়ান্নখি। পাউ অদুনা হায়-ঙমখৈ পরিংদা ঙাকশেলগী থৌরাং হেন্না কনখৎহন্নবা পান্দমদা বি.এস.এফনা সি.সি.টি.ভি. কেমেরাশিং খিনবতা নত্তনা থারমেল ইমেজরস, নাইট ভিজন দিভাইজ অমসুং দ্রেন শিজিন্নরগনি

অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য মরি-অসাম, মেঘালয়া, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাগা বঙ্গলাদেসকা পুন্না কিলোমিটর লিশিং ১,৮৮০ শমরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মহৈরোই লিংথোইঙম্বী অমসুং হেমনজিৎকী হকচাং ফংহনবীনবা গভরনদা তকশিনখিবগী পাউ অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংনা এন.ঐচ.আর.সিদা কমপ্লেন তৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

মনিপুর ন্যুজতা-মহৈরোই লিংথোইঙম্বী অমসুং হেমনজিৎকী হকচাং ফংহনবীনবা গভনরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর মেল, মোরনিং বেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-স্তোপ দাইরিয়া কেম্পেইন-২০২৪, হেলথ মিনিস্তর সাপম রঞ্জননা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর মেল, মোরনিং বেল অমসুং পোকফমদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-সি.আর.পি.এফ. হাৎপগী থৌওং খাঙবা ঙমলোইদবা অমনি হায়বা গভনরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-প্রিয়াঙ্কানা হংলি, কৈদৌঙৈ পি.এম. হৌগৎকনি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌনদুনা মনিপুর ন্যুজ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, মোরনিং বেল, পোকফম অমসুং গানফিয়ু মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা-নুপীগী ক্রাইমশিং হন্থহনদ্রবদি ইং তপ্পা খুন্নাই ওইবা ঙমলোই হায়বা অরিবম নৌতুনেশ্বরি দেবীগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদ লাইন অসিগী মথক্তা কংলা মমাংগী খোঙজং নীংশিংদুনা এন্টি রিপ্রেসন ডে পাঙথোকখ্রে হায়না কল্লর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিমক-হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা মীতৈবু এস.টিদা চলহন্নবা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অথিংবা থমখ্রবা প্লাষ্টিক্কী অপিকপা ঈশিং বোটল, পোলিথিন খাউনা ৱাই চাইরে হায়বা পাউ অসিনা সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা মনিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি ২০২২ লৈঙাকা থবক্তা ওনথোকপা ঙমদ্রে হায়না কল্লর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-গভনরনা ১২ শুবা এসেমব্লিগী তরুকশুবা মীফম সমোন তৌখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-দি.এম.য়ুগী ছাত্রশিংনা এন.ঐচ.আর.সিদা কমপ্লেন তৌখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মনিপুর ন্যুজ, সনা লৈবাক, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা ফোংনরি।

গানফিয়ু মেলদা-সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা কুকিশিংদা থমখিবা অথিংবশিং অদু হেন্না কনশিল্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নোনেগী জাদোনং মেমোরিএল কলেজতা দিসেনিয়র সেলেব্রেসন কম ফেলিসিটিয়েসন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ইম্ফালগী স্কুল অমা মৈ চাকপদগী ছাত্রা ৯ শোক্লে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।